Refreshingly Reliable

# HUEIYEN LANPAO

# হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses


ভাগ্যচন্দ্র ওপন এয়র ঠিএটর (বোট)দা পাঙথোকখিবা সঙাই ফেষ্টিভেল ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরমদা মালেম ইমা হায়না মিংথোনবা কোরিওগ্রাফিক প্রজেন্টেসন পীখিবা



লামায় ১

পিছ টোক অমদি সী এ বিগী ৱাফম অসি অরুবা ইস্যু ওইবনা মীয়ামগীদমক লেপ্পা লৈতনা চপ চানা থেংনখিগনি হায়না এম পি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি মঙ্গিবাবুনা ফোঙদোকখিবা




লামায় ১

দিপার্টমেন্ট ওফ টুরিজমনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা কৈবুল লমজাওদা পাঙথোকখিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী থৌরম



লামায় ১

অসাম রাইফলসনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোবাইল ভেহিকল চেক-পোষ্টতা চেক্কিং চথবদা লুপা ক্রোর ২ হেনবগী ময়াই কাবা ড্রগশিংগা কোন্ননা ফাগৎখ্রবা মীওই



লামায় ৫


Vol. 43, Issue No.237 | নিংথৌকাবা, হিয়াঙ্গৈগী ২৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, November 25, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## কোকোমিনা অমিট শাহগা উননবা থৌরাং তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪(ঐচ এন এস): যুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা মণিপুরগী সী এস ও লুচিংবশিংগা উননবা মতম পীরকখ্রবা মতুংদা ঙসি কোকোমিনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা উননবা থৌরাং তৌখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, হয়েং নুমিদাং পুং ১০ ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### HL Poll

Q: Home Minister Amit Shah ga COCOMI ga wari sannagadouriba ashina meeyamgi ehou nemtha-hanba ngamgani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Ngasidagi hougadouriba Sangai Festival da meeyamna mapung fana sharuk yarakkani haibagi thajaba leibra?

Yes 29% No 71%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

### Important Phone Nos.

| | | |
|---|---|---|
| RIMS | - | 2414478 |
| J.N. Hospital | - | 2450385 |
| DG Control | - | 2450100 |

**FIRE SERVICE**

| | | |
|---|---|---|
| Imphal | - | 101 |
| Moirang | - | 8415925197 |
| Churachandpur | - | 8415925191 |
| Thoubal | - | 8415925203 |
| Kakching | - | 8415925194 |
| Jiribam | - | 8415925193 |
| Mayang Imphal | - | 8415925196 |
| Bishnupur | - | 8415925190 |
| Moreh | - | 8415925198 |
| Kangpokpi | - | 8415925195 |
| Ukhrul | - | 8415925205 |
| Senapati | - | 8415925199 |
| Chandel | - | 8415925192 |
| Singhat | - | 8415925201 |
| Sugnu | - | 8415925202 |
| Yairipok | - | 8415925206 |

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৪ °C খ্বাইদগী ঈংবা ১১ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.৩৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৫

### Today's Flights Timing (Non Stop only)

IMPHAL → DELHI
Air Asia (India) 13:45
IMPHAL → GUWAHATI
IndiGO 09:45
Air Asia (India) 11:15
IndiGO 14:15
Air India 14:20
IMPHAL → KOLKATA
IndiGO 10:50
IndiGO 14:25
Air India 15:10
IndiGO 15:20

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 79.125324 |
| US Dollar | 71.788106 |
| British Pound | 92.124676 |
| Australian Dollar | 48.727237 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.198302 |
| Japanese Yen | 0.660909 |
| Malaysian Ringgit | 17.205421 |
| Australian Dollar | 48.727237 |
| Singapore Dollar | 52.615081 |
| South Korean Won | 0.060821 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.143495 |
| Thai Baht | 2.378024 |
| Myanmar Kyat | 0.04738 |
| Bangladesh Taka | 0.84620 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 38919.79 |
| Mumbai | – | Rs | 39786.10 |
| Delhi | – | Rs | 39732.62 |
| Kolkata | – | Rs | 40096.26 |

### অস! লোইরেহে!

- করিনোনে পাউচেসিবো, অহানবা লামায়দনা ওভরড্রাফট তারে হায়, মনুংদনা শেল-থুমগী ফীভম ফগৎলে হায়রি!



- পুপু... ওভরড্রাফ্ট হায়দি শেল-থুমগী ফীভম ফগৎলে হায়রিনে!

## ষ্টোলশিং হাংনখিদ্রবসু নুমীৎ তরেৎনি চথুগদবা সঙাই ফেষ্টিভেল চীফ মিনিষ্টরনা হৌদোকখ্রে

# মণিপুরদা টুরিষ্ট লাকপগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লে : সী এম

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪(ঐচ এন এস): ষ্টোলশিং হাংনখিদ্রবসু নুমীৎ তরেৎনি চুপ্পা চথুগদবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল ২০১৯ ঙসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ইম্ফালগী হপ্তা কাংজৈবুংদা হৌদোকখ্রে।

হপ্তা কাংজৈবুং, কৈবুল লমজাও, লম্বোইখোংনাংখোং অমদি মাওদা পাঙথোক্লিবা সঙাই ফেষ্টিভেলগী থৌরম অসি মণিপুর লৈঙাক্কী টুরিজম দিপার্টমেন্টনা মপূং ওইবা থৌদাং লৌরগা পাঙথোকপনি। হপ্তা কাংজৈবুংদা লৈবা ভাগ্যচন্দ্র ওপন এয়র ঠিএটরদা পাঙথোকখিবা সঙাই ফেষ্টিভেল ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, হৌখিবা চহী অনী মখায়রোম অসিদা ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দর ফীভম ফগৎলকপনা মণিপুরদা টুরিষ্ট লাকপগী চাং য়াম্না হেনগৎলে। হৌখিবা চহীশিংদা চহী ১গী ওইনা ফোরেন টুরিষ্ট ৩০০/ ৪০০ খক লাক্লম্বা অদু হৌজিক্তি অতেনবা মতম খরখক্তা লিশিং হেন্না লাকখ্রে। ঈং-তপ্পা লৈবগী চাং হেনগৎলক্লবদি ফোরেন টুরিষ্ট য়াওনা মখল খুদিংমক্কী টুরিষ্টশিং লাকপগী




চাংসু ৱাংখৎলক্কনি। সেন্টরনা নিটি আয়োগকী মখাদা অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেট নিপানগী ওইবা লম কোয়বা য়াবা মফমশিং শম্নহনগদবা টুরিষ্ট সর্কিট অমা শেমগৎননবা ৱারেপ লৌখ্রে। সর্কিট অসিগী মনুংদা অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগী পূক্নিং চিংশিনবা য়াবা মফমশিং শম্নহন্দুনা মপান লমগী লমকোয়বশিংনা মফম অসিদা ইরায় লায়না য়েংবা লাকপগী খূদোংচাবা ফংহনগদৌরিবনি। মসিগীদমক অৱাং-নোংপোক ষ্টেট নিপানগী ওইবা অখন্নবা টুরিষ্ট স্পোর্টশিং শেমগৎকদৌরি। নিটি আয়োগকী মখাদা শেমগৎকদৌরিবা টুরিষ্ট স্পোর্টশিং অসিগী মনুংদা মণিপুরগীসু মফম অনী খনগৎ-লক্লবা হায়রকপদগী তামৈ অমসুং তেংনৌপলবু খনগৎলে। মফম অনী অসিদা মীরৈবাক্কী লমকোয়বশিং পূক্নিং চিংশিনগদবা টুরিষ্ট স্পোর্টশিং শেমগৎপীনবসু থমখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, হৌজিক্তি ষ্টেট অসিদা অহোংবা কয়া লাক্লে। এদ্যুকেসন, হেল্থ, স্মোল স্কেল ইন্দষ্ট্রিজ, ট্রান্সপোর্ট, মার্কেট, লো এন্দ ওর্দর, লম্বী-থোং অমদি এগ্রিকলচরগী লম্দা চহী অনীমখায়সিগী মনুংদা জিদিপি চাদা ৮ য়ৌরে। ইন্দিয়াগী অপীকপা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরনা খ্বাইদগী ইমপ্রুভ তৌবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মাংজিল থারি। মখা লামায় ৩ কলম ৩

### 'সঙাই ফেষ্টিভেলদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু'

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা কোকোমিগী লুচিংবশিংগা উননবগী এপোইন্টমেন্ট হয়েং নুমীদাং পুং ১০ তাবদা পীরক্লে। মীয়াম্না সঙাই ফেষ্টিভেল শরুক য়াবীয়ু হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ঙসি মণিপুর সঙাই রন ফ্লেগ ওফ তৌবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, মীয়াম্না চহীগী ওইবা টুরিজম ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়াবীয়ু। তোকঙাদা থাজবা থম্বীগনু। মসিনা মীয়ামগী ৱাখলদা চিংনবা কয়া পোকহনগনি। ঙরাং নুমীদাং কোকোমিগী মীহুৎশিংগা উনদুনা ৱারী শানৈ। ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী ৱিন্টর সেসন চহী অসিগী দিসেম্বর ২০ দা কৌনবা ৱারেপ লৌরে। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ হৌজিক ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**খাইদেম অরলেক্স, শুগনু তাংজেং খুনৌ**

ইচম চম্বা মীশক অমা ওইনা য়াম্না থোইনা হেন্না খঙবা হায়বদু ওইদ্রগসু নাগা লালহৌবা অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা চথুরিবা পিছ টোককী ৱারোইশিন্না মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা হায়বদু ওইহন্নিংদে। ৱারোইশিন পুরক্তুনা মতম শাংনা ৱারক্লবা য়ূমথংনবা নাগালেন্দসু ঈং-তপ্পা, নুংঙাই-য়াইফবা লমদম অমা ওইহনবা পাম্মী। অদুবু হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিদদি লৈঙাক অমদি মণিপুর মীয়াম্না ৱাখল তামিন্নদুনা ওইরকপা য়াবা ফীভমশিং অদু থেংননবা শেম শাদুনা লৈবগী তঙাইফদবা লৈ। য়ূমথংনবা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিংদা লৈরিবা থৌনাগুম ঐখোয়গী চীফ মিনিষ্টরসু থৌনা লৈহন্নিংই।



**লাইশ্রম জিনা, লালম্বুং মখোঙ তখেললম্বম লৈকায়**

মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ইস্যুশিংনা মরম ওইরগা মীয়াম য়াম্না ৱাবা হায়বদু ওইরে। অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু অচৌবা ইস্যুশিং লৈতবদি নত্তে। অদুবু বন্দ, ব্লোকেদনচিংবদি কয়া তৌনদে। মরম অদুনা থোইনা অৱাবা হায়বদু ওইদে। অদুবু মণিপুরদদি বন্দ, ব্লোকেদ ঙসিসু লেপ্পা লৈত্রি। মসিনা লমদমসিগী মীয়াম ৱাবা খক নত্তনা চাউখৎপগী লম্বীদা য়াম্না তপথবা হায়বদু ওই। মরম অদুনা বন্দ, ব্লোকেদ তৌদনবা লৈঙাক্লো লমদম অসিগী মীয়ামগী তুংগী পূন্সিগী খনবীদুনা য়াইফগদবা লম্বী অমা পুথোকপীয়ু। লোয়ননা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়দনবা লৈঙাক্লা শীনবিয়ু।



**খোংবানতাবম সনাতোম্বা, থোংজু পার্ট ২**

কংলৈপাক অসিদা মশীং থীঙমদনা থেংনরিবা প্রোব্লেমশিংগী মরক অসিদা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টনা অমুক লৈবাক মীয়ামগী থম্মোয়দা মীপাইবা, লাং-তক্লবা পোকপনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লি। অদুবু চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা কনাগুম্বা খরনা পঙচেন চেনজবা, কনা অমনা য়েংদুনা লৈবা য়াওদবা নত্তে। মরম অদুনা মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্না চপ মাননা চঙশিনবিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। ঙসি চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি লনাই ওইবা খোঙজং নত্তে মণিপুরী ঐখোয় পূম্নমক্কীনি। লৈঙাক্লসু তশেংবা-তশেংবা ৱাফম অদু মীয়ামদা থমহন্নিংই মরমদি লমদম অসিগী মরাইবক লেপ্পদা লৈঙাক্কী চাউরবা থৌদাং কয়া লৈ। মরম অদুনা লমদম অসিগী মপি-মপা অমা ওইবগী চপচাবা থৌদাং অদু লৌহন্নিংই।

## কোংগ্রেস : পিছ টোক, সী এ বি অরুবা ইস্যু ওইবনা চপ চানা থেংনখিগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): পিছ টোক অমদি সী এ বিগী ৱাফম অসি অরুবা ইস্যু ওইবনা মীয়ামগীদমক লেপ্পা লৈতনা চপ চানা থেংনখিগনি হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি মঙ্গিবাবুনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস ভবনদা পাউমীশিংগা উনবদা টি মঙ্গিবাবুনা হায়খি, সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল অমদি পিছ টোক্কী মতাংদা লেপ্পা লৈতনা চঙশিনখিগনি। পিছ টোক চথুরিবা অসিনা মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি লমদমসিগী ওইবা হান্নদগী লৈজ-রিবা শক্তম অসিদা হিরম অমত্তদা অহোংবা লাকপা য়ারোই হায়বসি চপ চাবা ফিরেপনি। কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টি মণিপুরগী লিদর অমদি এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট য়াওনা দিল্লিদা চৎতুনা লুচিংবা কয়াসু উনররে। মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা হিরম অমত্তদা শোকহনবা য়ারোই হায়বা ৱাফম তকশিনখি। কোংগ্রেস পার্টিনা দিমান্দ তৌদুনা লাউরিবসি সী এ বি পাস তৌবীগনু, আই এল পি লৈতবা মণিপুরগুম্বা মফমদা য়াম্না চাউনা শোক্কনি। পিছ টোক্না মণিপুরগী অপূনবা শক্তম শোকহনবা য়ারোই ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## নুপীশিংগী মথক্তা চথুবা ক্রাইম হন্থবা হায়বদু ওইদ্রি, চহী অসিদা রেপকী থৌদোক ৩৪ থোকখ্রে

**কৈচা খুমনঙম্বা**

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়াওনা মালেমগী মফম খুদিংদা ষ্টোপ ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন হায়বা খোল্লাউ কয়া লেপ্পা লৈতনা লাউরবসু লমদম অসিদদি নুপীশিংগী মথক্তা চথুবা ক্রাইম হন্থবা হায়বদু ওইদ্রি। চৎলিবা চহী অসিগী ওক্টোবর থা ফাওবদা ষ্টেট অসিদা রেপকী থৌদোক ৩৪ থোকখ্রে।



নেসনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরোগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৭তা মণিপুরদা নুপীগী মায়োক্তা চথুবা ক্রাইম ২৩৬ রেজিষ্টর তৌখি। ৱিমেন এক্সন ফোর দিভেলপমেন্ট হায়রিবা এন জি ও অসিগী রিপোর্ট মতুংইন্নদি কুমজা ২০১৭তা নুপীগী মায়োক্তা চথুবা ক্রাইমগী মশীং অসি ৩১০ য়ৌখি হায়রি।

ৱিমেন এক্সন ফোর দিভেলপ-মেন্টকী রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না হন্দক ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## দি পি সীনা খনখিবা মীওই ১৫বু হিন্দি গ্রেজ্যুয়েট টিচর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীনবা সুপ্রিম কোর্টনা ওর্দর পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪(ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (স্কুলস)না সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমগী রেকমেন্দেসন মখাদা হৌখিবা কুমজা ১৯৯৯গী জুন ১৬তগী হৌরগা জুলাই ১০ ফাওবদা পাঙথোকখিবা ক্লাস থ্রীগী দিপার্টমে-ন্টেল প্রমোসন কম্মিটি (দি পি সী)না খনখ্রবা হিন্দি গ্রেজ্যুয়েট টিচরগী পোষ্ট ১৪৬কী মনুংদা য়াওখিবা কেন্দিদেট ১৫বু চৎলিবা কুমজা ২০১৯গী সেপ্টেম্বর ১দগী লাকখৎলগা পোষ্ট অসিদা এপোইন্টমেন্ট পীননবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা ওর্দর পীখ্রে।

দিরেক্টোরেট অসিনা হিন্দি গ্রেজ্যুয়েট টিচর ১৪৬কী রিক্রুট-মেন্টগীদমক পাঙথোকখিবা দি পি সী অদুগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং আই এমগী ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট অসিদি পিছ এগ্রীমেন্ট নত্তে : এম এন পি এফ

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪: চহী ২২ চুপ্পা চথরক্লিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন-আই এমগী ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট অসিদি পিছ এগ্রীমেন্ট নত্তে, মসিদি ইন্দিয়ানা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট হায়না কৌরিবা মনীং-মখা তম্না লৈজরম্বদগী লোইলম ওম্ভোকপীখ্রবা মোঙ্গোলোইদ রেসকী শক-চু, নাৎ-চৎনবী মান্নবা মীওই ফুরুপশিংগী মরক্তা মরুওইনা মণিপুরদা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী খুন্দামিন্নরক্লবা য়েলহৌমী ওইরিবা চীংমী-তম্মী অনীগী অপূনবা শক্তম থুগায়নবা শিনবা থৌশিলনি হায়না মণিপুর নাগা পীপলস ফ্রন্ট (এম এন পি এফ)কী সেক্রেটরি পব্লিসিটি থোমাস নুমাইনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন-আই এমগী ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট অসি ঐখোয় নাগাশিংনা হরাউবগী মহুৎতা এগ্রীমেন্ট অসিনা পীরিবা চৈথেং অসি মুন্না খন্থদুনা তুংদা লাক্কদৌরিবা পূন্সি অমগী য়াইফনবা খনবগা লোয়ননা থবক পায়খৎপা মতম ওইরে। মরমদি চহী ৭০ শুরবা নাগা রেভোল্যুসনরি ষ্ট্রগল অসিদা মীওই চা কয়া থৱায় কৎখিবা অদু ঙসিদি থৱায় খৎখিবা অদুগী ৱাহন্থোক লৈহন্দনা ইরায় লায়না ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মখাদা ইকোনোমি পেক্কেজ, সিক্স সেদ্যুল্ড, টেরিটোরিয়ল কাউন্সিল পীগনি হায়বসিনা লোইশিনবসিগী ৱাহন্থোক করিনো? ফ্রেমৱর্ক এগ্রী-মেন্ট অসি ইরৈবাক্কীদমক চথুরিবা ষ্ট্রগল অসিদা থৱায় কৎখ্রবা অমসুং ইন্দিয়ন আর্মিনা মরাল লৈজদ্রবা মীচম কয়া ওৎ-নৈদুনা হাৎখবা, নুপী ওইবী কয়াবু রেপ তৌদুনা মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীখ্রবা চনু কয়াগী থৱায়না পেল্লমগদ্রা। মসিগী ফ্রেমৱর্ক অসিদি খোইজৈ শীজিন্নদুনা ঙা ফাবশিংনা খোইজাক হাপ্পুনা ঈশিংদা খোইদু থাদরগা ঙা ফাবগুম্বনি। হৌজিক ইন্দিয়াগা এন এস সী এন-আই এমগগী টোক অসি লোইশিন্নবগী তৌরিঙৈ চৈরক অসিদা সোমদালগী আই-এম লীদর খরনা চাইনাগী য়ুনান ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

### 'কৈবুলদা ইথনিক পার্ক শেমগৎনবা লুপা ক্রোর ৩৮ এপ্রুভ তৌরে'

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) : কৈবুলদা স্বাদেশ দর্শন স্কিম ফোর দিভলপমেন্ট ওফ ইথনিক পার্ককী মখাদা ইথনিক পার্ক অমা শেমগৎনবা সেন্টরনা লুপা ক্রোর ৩৮ এপ্রুভ তৌরে হায়না ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ টুরিজমনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা কৈবুল লমজাওদা পাঙথোকখিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা হায়খি, কৈবুল লমজাওদা ইথনিক পার্ক অমা শেমগৎলক্লবদি মণিপুর সঙাই ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## য়ু এন এল এফকী ৫৫শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪: মণিপুর অমদি ৱেসিয়াগী মাঙখ্রবা নীংতম্বা হঞ্জিন্নবগীদমক শাফোঙলকখিবা য়ুনাইটেদ নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ)কী ৫৫শুবা মপোক কুমওন ঙসি মণিপুর মনুং অমসুং মপান লৈবাকশিংদা হরাউ তয়াম্না পাঙথোকখ্রে হায়না য়ু এন এল এফকী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী দিরেক্টর এম শক-হেননা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, য়ু এন এল এফকী মপোক কুমওন থৌরম অসি পার্টিগী সেন্ট্রেল হেদ ক্বার্টরস, এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী য়ুনিটশিং, পার্টিগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটশিং, ব্রাঞ্চ য়ুনিটশিং, এম পি এগী জেনরেল হেদ ক্বার্টরস, এম পি এগী ২৯১



বট্টালিয়ন, ২৯৩ বট্টালিয়ন, টেক্টিকেল হেদ ক্বার্টরস অমদি সী এস এফকী য়ুনিট খুদিংমক্তা পাঙথোকখি।

য়ু এন এল এফকী সী ঐচ ক্যুদা পাঙথোকপা মপোক কুমওন থৌরমদা য়ু এন এল এফকী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী চ্যেরমেন কে ঐচ পাম্বৈ অমদি সেন্ট্রেল কম্মিটিগী সেক্রেটরিশিং, সী ঐচ ক্যুগী ষ্টাফশিংনা পুন্না পাঙথোকমিন্নখি। এম পি এগী জেনরেল হেদ ক্বার্টরসদা পাঙথোকপা থৌরমদা য়ু এন এল এফকী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ য়াইমচৌ, দিপার্টমেন্ট ওফ মাইনোরিটি এফেয়র্সকী সেক্রেটরি, এম পি এগী ভাইস চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ, জি এস ওশিং, এস ওশিং, লান্মীগী ওফিসরশিং, এন সী ওশিং অমদি লান্মী পূম্নমক্না লোয়ননা পাঙথোকমিন্নখি। এম পি এগী অতৈ বট্টালিয়নশিং, টেক্টিকেল হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকপা থৌরমশিংদা য়ু এন এল এফকী ভাইস চ্যেরমেন, সেন্ট্রেল কম্মিটিগী থৌ পুবশিং, এম পি এগী সী ও এ এসনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। দিষ্ট্রিক্টশিংদা পাঙথোকপা থৌরমশিংদা দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরিগা মফম-মফমদুগী মীয়ামগা লোয়ননা পাঙথোকমিন্নখি। এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী য়ুনিট অমদা পাঙথোকপা থৌরমদা এক্সটর্নেল এফেয়র্স সেক্রেটরিনা ষ্টাফ ওফিসরশিংগা পুন্না পাঙথোকমিন্নখি হায়রি। মখা লামায় ৩ কলম ১

### হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

হুইয়েন লানপাউ পাউচেনা মণিপুর মীয়ামগী অৱা-নুংঙাই থৌদোক কয়াদা শরুক য়াবগা লোয়ননা মতম-মতমগী ওইবা ঈ-পাউ পীজদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা লাকচরি। পাউচে অসিনা মীয়ামগী মীনুংশি অমদি থৌজাল ফংদুনা পাউচেশিংগী মশীং লেপ্পগী ওথোরিটি ওইরিবা ওদিট ব্যুরো ওফ সর্ক্যুলেসন (এ বি সী)না পীবা খ্বাইদগী নৌবা সর্টিফিকেসনগী মতুংইন্না হুইয়েন লানপাউ মণিপুরী ইদিসননা মণিপুরগী খ্বাইদগী মশীং য়াম্না ফোঙবা অনীশুবা পাউচে ওইরে। হুইয়েন লানপাউনা মণিপুর মীয়ামগী ঈহুল খঙনা থবক তৌবা পামজবনা ঙসি মণিপুরদা ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসিদা মীয়ামগী ওইবা অপাম-পামদা পাউচে অসিগী খুত্থাংদা ফোঙদোরক্কনবগী খূদোংচাবা অমা পীজরি। নাগা লালহৌলূপশিং অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মরক্তা চথুরকখিবা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়না কোকোমিগী লমজিং মখাদা মণিপুর মীয়াম্না অমত্তা ওইনা লেপ্পা লৈতনা ঙসিসু খোঙজং চঙশিল্লিবা, ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকহল্লোই হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা মণিপুর লৈঙাক্তা থাজবা পীরকখিবা অদুগী মতুংইন্না মীয়াম পুন্না ঙাইমিন্নখিসি অমদি মদুগী মতুংইন্না মখা তারকপা থবক থৌরমশিং তৌগনি হায়রিবা অমদি সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট চৎনহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসিগী মতাংদা মীয়ামগী অপাম-পামদশিং ফোঙদোকহন্নবগী থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি। মরম অদুনা লমদম অসিগী ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিগী মতাংদা মীয়ামগী অনীংবা-অপাম্বা, মীয়াম্না লৈঙাক্তা তৌহন্নিংবা অমদি পায়-খৎহন্নিংবা থবক থৌরমশিং অদু অইবা ওইনা হুইয়েন লানপাউদা থাবীরকউ। মীয়াম্না কমেন্ট থাবীরকপা মতমদা য়াম্লবদা ৱাহৈ চাম্মদগী হেন্দনা মখাদা পীরিবা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সঅপ নম্বর, ইমেলদা থাবীরকউ নৎত্রগা ওফিসতা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা পীশিনবসু য়াগনি।

মীয়াম্না কমেন্ট থাবীরকপা মতমদা ইশাগী মিং, লৈফম, ফোটো অমদি মোবাইল নম্বর হাপ্পীরকউ। মীয়াম্না লেপ্পা লৈতনা থাবীরকপা কমেন্টশিং অদু হুইয়েন লানপাউনা নুমিৎ খুদিংগী খরা-খরা খনগৎলগা ফোঙদুনা মণিপুরগী মীয়াম পূম্বদা খঙহন্নবা হোৎনজগনি।

email id: hueiyen_lanpao@rediffmail.com
Whatsapp No.: 9774803145




Manipur Cab Services

Telephone number call Smartphone Android app "Manipur Cab" playstore download

Toll Free Number 1800-345-3838

GET IT ON Google Play

₹ 15 per Km. Normal

₹ 25 per Km. Standard

Picnic package

Manipur Cab Services 24X7 2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal

Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.

HL-P/4095/9/10-8/11